# ‘সরাফিনা’ ফিল্মদগী মালেমদা শেৎ কায়না ফাওখিবী এক্ট্রেস লেলেটি খুমালো

*- নানি*

মীওইবগী লাইবক হায়বসি তম্বা ঙমদে। কনা অমনা থৱায় য়াওনা মপুন্সি চুপ্পা কখোক্তুনা হোৎনবদা মীয়াম্না শকখঙনবা অফাওবা হায়বদু ওইবা ঙমদে। কনা অমনা শুপ্নতগী অমুক্তদা খঙফাও ফাওখিবসু লৈতবা নত্তে। হৈগে হৈয়ু হৈরোই তোকউ, মরাইবক্কবু চুল্লবদি অহিং অমদা খঙফাও ফাওখিবা মী কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। মীওইবগী লাইবক হায়বসি য়াম্না লুই। **‘সরাফিনা’** হায়বা সাউথ অফ্রিকাগী ফিল্ম অসি হেক রিলিজ তৌরকপদা ফিল্ম অসিদা মেন প্রোটাগোনিষ্ট ওইনা কুমখিবী **লেলেটি খুমালো** হায়রিবী এক্ট্রেস অসি ফিল্ম অসিদা ইহান হানবা ওইনা কুম্লকখিবনি। অদুবু ফিল্ম অসিনা রিলিজ হেক তৌরকপদগীদি মহাক্কী মমিং অসি মালেমদা খঙনদবা লৈরকখিদে। মমৈথংদদি মহাক খ্বাইদগী মমিং চৎপী ফিল্ম এক্ট্রেস অমা ওইরকপা ঙমখি।

**সরাফিনা** হায়রিবা ফিল্ম অসি ১৯৭৬তা থোকখিবা সাউথ অফ্রিকাগী মহৈরোয়শিংনা হৌখিবা ‘সোৱেটো রাইওট অপরাইজিং’ হায়বা হৌজিক ফাওবা খঙনরিবা ঈহৌদা য়ুম্ফম ওইখিবনি। ফিল্ম অসি অসুক্কী মতিক মীয়াম্না পাম্নখিবা ফিল্মনি। সাউথ অফ্রিকাদা ফিল্ম অসিমক অসি ষ্টেজদা ওইনসু থিএটর ওইনা অমদি ঈশৈ ওইনসু তোঙান তোঙানবা ফোর্মদা শক্লখিবনি, থিএটর ওইনসু য়াম্না পোপ্যুলর ওইনা মশীং য়াম্না শান্নখ্রবনি। মদুদসু মায় পাকখিবনি। মরমদি মসি সাউথ অফ্রিকা মীয়ামগী পুন্সি অমদি মখোয়গী মথক্তা চত্থরকখিবা নমথবগী তুহৎপীবগী মায়োক্তা চপ মান্ননা লেপখিবা, মীয়াম হুপখিবা ঈহৌ অমগা মরী লৈনবা ওইবনা মসিগী সেন্টিমেন্ট অমদি ইমোসনশিং অদু হৌজিক ফাওবদা মখোয়গী মীয়ামগী ৱাখলদগী নাথৈবা ঙমদ্রি। মদুদা লেলেটি মশামক্লা ষ্টেজদসু এক্টর ওইনা কুমখি। ফিল্ম অসিগী ওইনসু, এক্ট্রেস অসিনা ১৯৮৭তা এন এ এ সী পি ইমেজ এৱার্দ ফোর বেষ্ট ষ্টেজ এক্ট্রেস ফংবা ঙমখি। লোয়নন ১৯৮৮ দসু টোনি এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস ফংখিবনি। মশাগী চহী ১৫ শুরকপদা সাউথ অফ্রিকাগী মমিং লৈরবা এক্টর, ম্যুজিসিয়ন অমদি প্লেরাইট মবোগেনা ঙেমানা মহাক্কী অনৌবা ম্যুজিকেল প্রদক্সনগীদমক টেলেন্ট লৈবা অনৌবা দান্সর খরা থিরকপা তাঞ্জাদা লেলেটিসু ওদিসনগীদমক এপ্লিকেসন থাজিল্লকখি। মখোয় গ্রুপ অদুগী রিহার্সেল উবদা মবোগেনা ঙেমানা মহাক্কী অনৌবা ফিচর ফিল্ম **সরাফিনা**গী কেরেক্টর শানবগীদমক অনৌবা এক্ট্রেস অমা থিরকপদা লেলেটিবু উরুবদগী লেলেটিনা কেরেক্টর অসি শোয়দনা কুম্বা ঙমগনি হায়বা থাজখি লোয়নন মঙোন্দা সরাফিনা শাবা ঙমগদরা হায়না হংবদা লেলেটিনসু ঙমগনি হায়না পাউখুম পীরকখি। লেলেটি সরাফিনা শানবগীদমক এসাইনমেন্ট ফংলবা মতুংদা কেরেক্টর অসি শাবা ঙম্নবা অমদি মায় পাক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনজখি। লোয়নন ইন্টরনেসনল ব্লোকবষ্টর ওইখিবা ফিল্ম অসিদা নীংথিজনা পর্ফোর্মেন্স পীখি। মমৈথংদা মঙোন্দগী চহী ১৫ হনবা, মহাকপু ফিল্মগী লাইনদা পুশিনবীরকখিবা দিরেক্টর মবোগেনা ঙেমাগা লোয়নন লুহোংদুনা য়ুম্বানমিন্নখি। ঙেমা অসি হান্না নুপী অমা থিদুনা লৈরবনি। সরাফিনা ফিল্ম নম্মিঙৈদগী হৌনা লেলেটিদা মহাক্কী নুপী ওইজরগে হায়না কয়ারক হন্না থেমখি। মতমদুদা লেলেটিনসু অঙাংগা ওইরিবনা অথিংবা পীখিদে। লুহোংবগী নুমীৎতুমক্তদা ঙেমাগী হান্নগী নুপীদুনা মখোয়গী লুহোংবা অদু থিংনবা কন্না হোৎনরকখি। মহাকপু পোকপী মমামক্লসু লেলেটিনা লৌরিবা ফিরেপ অদু য়ানিংখিদে। মরমদি ঙেমা অসি নুপী লৈরবা নুপা অমনি হায়দুনা কন্না য়েৎখিবনি। অদুবু লেলেটিনা নহা ওইবগী অরানবা ফিরেপ অমা লৌদুনা লুহোংখিবনি।

২০০৫ দদি য়ানদবা খরদগী ঙেমাগা মহাক্কা খায়নদুনা ময়ুমদা লৈখি। হৌজিক্তি লেলেটি বিজিনেস তৌবা সখুতাজো ৱিনষ্টন খনয়িলে কৌবা অমগা নৌনা লুহোংদুনা লৈমিন্নরি। মখোয় অনী অহানবা থেংনবদা লেলেটিনা মহাকপু তশেংনা নুংশিবীবা অমদি



মহাক্কী পূক্নিং অমদি পুন্সিবু মুন্না খঙবীবা মীশক অমা য়েংলিবনি হায়না ফোঙদোকপদা ৱিনষ্টনগা য়ানদুনা লুহোংদুনা লৈরি। মখোয় অনীগী মচা ত্বিন ওইনা পোক্তুনা অনৌবা আশা অমগা লোয়নন তেক্ত-কায়দনা লৈমিন্নরি।

তশেংনমক্তি লেলেটি অসি দান্সপু য়াম্না পামজনা তম্লকখি। দান্স পর্ফোমর অমা ওইনা হান্না মীয়াম্না খঙখঙনৈ, মাগী তোপ তোপ্পা অমা হায়বা তারবদি গ্রুপ দান্স শারবসু মহাক্কী এক্সপ্রেসন অমদি বোদি লেংগ্বেজনা অয়েংবশিংগী পূক্নিংবু শুম্নৎপা ঙম্বগী থোইদোকপা অমা মঙোন্দা লৈ। য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা দান্স অমদি ম্যুজিক তম্লকই। মমৈথংদা ষ্টেজ এক্টর অমা ওইনা লাকখিবনি। লেলেটি ইরায় লায়না প্লে অমদা হেক্তা কুমদে, মমুৎ তানা তম্লগা অমদি হৈরগা প্লে কুম্মী। অদুনা ফিল্মদসু অদু মঙাই ফিল্ম অমা কুম্নবা হায়রবদা মহাক হেক্তা য়াদে, স্ক্রিপ্ট অদু মমুৎ তানা পারবা মতুংদা মহাক এসাইনমেন্ট লৌই। হৌজিক ফাওবদা মহাক ফিল্ম য়াম্না কুমদে। শুপ্নতগী ফিল্ম নিপানদগী হেন্না কুমদ্রি। মহাক্না কুমখিবা ফিল্মশিংদা য়াম্না মমিং চৎখিবা ফিল্মশিংদি- **সরাফিনা, হোটেল রৱান্দা, ইনভিক্টস** য়েষ্টর্দে হায়বসিনি। অতৈ ফিল্মশিংদি- **ক্রাই দ বিলভ কন্ট্রি, ৱিন্নি মন্দেলা, উজালো, ফেথ্স কোর্নর** হায়রিবশিং অসিনি। লেলেটি সাউথ অফ্রিকাগী মমিং লৈরবী শৈশকপী অমসু ওইরি। ১৯৯৩দা মহাক্কী অহানবা ম্যুজিক এলবম লেলেটি এন্দ সরাফিনা কৌবা মুহম্মদ অলিদা দেদিকেট তৌবা অমা রিলিজ তৌখি। মদুনসু মহাকপু হেন্না মমিং চৎনবগী মরম অমা ওইখি।

লেলেটি খুমালো সাউথ অফ্রিকাগী নোর্থ দর্বানগী ক্বা মাশু টাউনদা ১৯৭০দা পোকখি। মহাক্না চহী ৩ শুরকপদা মহাক্কী অপোকপা মপা লৈখিদে। য়াম্না লায়রনা হৌরকখি। মহাকপু পোকপী মমানা মীগী ময়ুমদা দোমেষ্টিক লেবর অমা ওইনা থবক তৌদুনা থাক্লকখি। মচিন-মনাও অহুম্বু থাক্লবা হোৎনবদা ঙমখৈ লৈতনা ৱাজরবী মমাগী মতেং পাংবা ওইনা উনা শাবা পোৎলম য়োন্দুনা ৱানা হিংনবা হোৎনরকই। মসিগী মরকসিদনি লেলেটিনা ম্যুজিক অমদি দান্সপু পাম্লবখিবা। অদুনা অপীক-অপীকপা ফঙ্কসন কয়াদা দান্স তৌদুনা মহাক্কী মশক তাকপা হৌরকখি। তশেংনমক লেলেটি অসি পর্ফোমর অমা ওইনা পোক্লকপগা চপ মান্নখ্রে। তপ্না তপ্না মাগী পর্ফোর্মেন্সনা মহাকপু চিংখৎলকখি। মমৈথংদা মহাক ফিল্মদা খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি।

লেলেটি টি ভি সিরিএল জেনরেসন হায়বা অমগীদমক এনগেজ তৌদুনা কাষ্ট তৌখি। সাউথ অফ্রিকাদা খ্বাইদগী শাংবা অমদি মমিং চৎপা মায় পাকপা সিরিএল অমা ওইখি। সিরিএল অসিদা লেলেটি পব্লিসিং হাউস অমগী মপু ওইবী কেরেক্টর অমা শাখি। মসিগী মতুংদা হৌজিক রেদিও ভুমা এফ এম হায়বা অমগী প্রজেন্টর অমা ওইনা লৈরি। লেলেটি মখা তানা করি ফিল্ম কুম্লকখিগদগে হায়বা অদুদি হৌজিকমক্কী ওইনদি পাউ লৈত্রি। অদুবু মহাক অখন্নবা ফিল্ম খরদদি মহাক্কী তৌবা ঙম্বা কয়াশিং উৎলকখিগনি হায়না থাজনরি। ইন্দিভিজ্যুএল লাইফ ওইনা য়েংলগদি অদুক কা হেন্না থোইদোক্লা মায় পাকপা অমা ওইবা ঙমদ্রবসু, মহাক্লা ৱানা হোৎনজরগা, দান্স পর্ফোমর অমা ওইরকপা, ষ্টেজ এক্টর অমা ওইনা মীয়াম মাঙদা মশক তাকচরকপা অদুনা ফিল্মলোমদা লাকপা মতমদা কা হেন্না অৱাবা অমদি অনৌবা হায়বা অদুমক্তি ওইখিদে। অহানবদা কেমেরা ফেস তৌবা মতমদা খজিক্তং নৌনা থোক্লবসু, তপ্না তপ্না মহাক্কী হৈনবী অমা লাকপা ঙমখি। লুরিবদি কেরেক্টর অমা শাবা মতমদা কেরেক্টর অদু মশক খঙনবা হোৎনবদা লৌগদবা থৌদাং কয়াশিং অদুনি হায়না মহাক্লা হায়খি। কেরেক্টর অদু মহাক মশানা মনুংদা চঙশিন্দুনা কেরেক্টর অদুগী হেবিট অমদি কেরেক্টর অদুগী তৌফম থোকপশিং অদু মমুৎ তানা খঙলগা মদুবু হৈননবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। মতম অদুদা মহাক্লা পামজবা কেরেক্টর অদুগী মশক অদু চপ চানা উৎপা ঙমগনি হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা ৱাফম ওইনা থল্লি। সাউথ অফ্রিকাদা পোকপী অমা ওইনা মহাক মমা লৈবাক মরমদমবু তশেংনা নুংশিজৈ। অদুনা মহাক্কী পর্ফোর্মেন্স খূদিংমক্তা মমা লৈবাকপু নুংশিবগী ইথিল অদুগা লোয়নন এক্টিং তৌই অমদি কেরেক্টর রোল লৌই। পর্ফোর্মেন্স অমা পীবা হায়বসি চুম্নগী ইন্টরটেনমেন্ট অদুখক্তা নত্তে, মসিনা য়েংলিবা তারিবা খূদিংমক্তা মরমদমবু নুংশিবগী হায়বদি নেসনেলিজমগী সেন্স অদু শোয়দনা পোকহন্নবা হোৎনগদবনি হায়বসি মহাক্কী ফিরেপনি। ফিরেপ অসি মনুংদা মহাক মতম খূদিংমক্তা লৈ। অদুনা মহাক্কী ফিল্ম খূদিংমক্তা মসিগী মমি অসি তাই। য়েংখিবা তারি লেলেটিনা মীয়ামদা করম্বা অনৌবা খুদোল তৌরকপগে হায়বদু।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৪।০৮।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
থৱানগী ১৮নি পনবা।

মেষ: নীংবা থুংবা, পল্লম্বা থবক পাঙবা, পল্লম্বা শেলসু ফংবা য়াবা অমদি লল্লোন ইতিক কান্নবা নুমিৎনি। হুরানবনা তাথিবা অমদি পঙবদৈ চাদিং হেনবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃষ: মীপায়বা কোকচরনি, লায়না থবক পাঙলনি, ৱাখল থোকপা নুমিৎনি- নীংথিনা খনবদু মীনা ইনশিনবা ঙায়দনা পাঙবা য়ারনি। মরুপ্না লোয়নবা পামগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: ৱানোম-থৌনোম কান্নরোই-অঙম্বনা নরল মৎপিখিনি। য়েক্নবনা পাঙ্গল্লি-মরম খঙদনা থৌনা ফুদোক্নু। ঈংথবনা শাফগনি, মরুপ লোয়নবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: চিন শোয়রগা লন ময়েং তাবা অমদি য়েৎনবনা ইমুং-মনুংদা ফাওবা পোত্থাদবা লৈগনি। অদুবু থৌনা ফবনা ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংজৌ হায়বদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

সিংহ: নীংবা থুংগনি, ৱাখল লৈবনা নীংবদুমক পাঙবদা মায় পাক্কনি অমদি খুৎচাও থাবগী কান্নবা ফংগনি। চিঞ্জাক কাম্নলদি ঙসিসু নত্তবা শাজৎ পামগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: মায় পাক্কনি, নীংবা মপা চাই, নীংহন্নদবনা শেল থুমগী লমদসু কান্নবা ফংগনি, নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবা কায়রোই। মীরক্তা চঙলগা নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: লাই-গুরুনা চানবীগনি, চাদিং হন্থবা ঙমগনি, অরং-অরাক ফংবগী নুংঙাইবসু লৈ। অশাওবনা নুংশাথিবা নংবা য়াই-ফিংগনু, হেন্না আশা চাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: পোরম শীনবা হৈগনি, শেল-থুমগী লমদসু হোৎনজবগী মহৈ য়ানগনি। মরুপ অফবা ফংই অমদি য়েৎনবদসু মায় পাক্কনি। অফবা লৌশিং ফংজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থাগৎপি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: নীংজবা থুংগনি, অনৌবা থৌরমদনা হেন্না খুমাং চাওশিনগনি। মীয়ামগা মরীসু হান্নদৈ ফগৎলে। অনম তানবদি মাঙজগনি, ৱানোম থৌনোম কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফগৎলে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মকর: পুক্নিং ফাথনা লৈবনা পুম্নমক্তগী অফবা ওইগনি। ৱাখল থোক্তে অমদি ফিংবনা মাঙওইনৈ-মদুনা কান্নবা মাঙহনগনি। নথক থোংবগী ৱাদি সনাগুম্বনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কুম্ভ: হরাওবা নুংঙাইবা, য়েক্নবা লৈরম্বসু লাকশিনবা ঙম্বা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপদি লৈ-থৌয়াম পুগনু অমদি ফিংবনা মরুপ কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল মওল মওল খনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: পল্লম্বা শেল-থুম ফংবগী নুংঙাইবা অমদি থবক্কী লমদা ৱাবা ফবদি লৈ। নরলদা মীতারকপা অমদি লৌশিং চাওবগী ৱা তারদি হেন্না নুংঙাইগদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরমদা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস): লাইফ সেভর্স মণিপুর অমদি য়ং ভলন্টরি ওর্গানাইজেসন (ৱাই ভি ও) ৱাংখৈ অমসুং ব্লদ সেন্টর, কেন্সর ট্রিটমেন্ট সর্ভিসেস হায়দ্রবাদ প্রাইভেট লিমিটেদ এট ববিনা স্পেসিএলিটি হোস্পিটাল শজিৱা, দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমস, ষ্টেট ব্লদ সেল এন ঐচ এম মণিপুর, এস বি টি সী মণিপুরগা খুৎশম্নরগা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎকা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাংখৈ দুর্গা পূজা লম্পাক্কী কম্যুনিটি হোলদা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প এন্দ কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে হায়না ৱাই ভি ওগী সেক্রেটরি জেনরেল নহাকপম টিকেনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা থাঙ্গাল জেনরেল, যুবরাজ বীর টিকেন্দ্রজিৎকী মফমদা ৱাই ভি ও ৱাংখৈগী মেম্বরশিং অমদি ভলন্টরি ব্লদ দোনরশিংনা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা খুন্নাই অসিগী ভলন্টরি ব্লদ দোনর নুপা ৪২ অমদি নুপী ৪না শরুক য়াখি। ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা শরুক য়াখিবা এসোসিএসন, ক্লব অমদি ওর্গানাইজেসনগী মীওইশিংবু ৱাই ভি ও ৱাংখৈ অমদি লাইফ সেভর্স মণিপুরগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমসুং তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কোংগ্রেসকী পদযাত্রা চৎখ্রে




ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস) : মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী মীৎয়েং মখাদা খুন্দ্রাকপম বি সী সীনা খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বর; এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্র, সী এল পিগী লিদর ওক্রম ইবোবী য়াওনা য়াম্লবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা অথৌবশিংগী নুমীৎ পাঙথোক্তুনা শৈরেং চাংদম্নবা অমদি ঈশৈ চাংদম্নবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্র অমদি খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরনা লুচিংদুনা অথৌবশিংগী ফোটোদা হৈ-লৈ কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়ানা নীং-খা তম্লকপগী চহী ৭৫ মপুং ফারকপা অসিদা লৈবাক অসিগী অথৌবা কয়ানা কথোকপা অমগা লোয়নন লৈবাক অসিগী পাঙথোকপীরম্বা থবক থৌরমশিংবু নীংশিংবগী পান্দমদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অজাদি কা গৌরব যাত্রাসু চৎলি। খোঙচৎ অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি ইন্দিয়াদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং ঐখোয় অমত্তনি হায়বা অমুক্কা হন্না নীংশিংনদুনা চাউখৎপগী লম্বীদা মায় পাকপা চৎপা ঙম্নবা হোৎনবগা লোয়নন ঐখোয় পুম্নমক্কী ফংফম থোকপা রাইটশিং পাল্লিবা লৈঙাক অসিদগী তানগদবনি। খোঙচৎ অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মখা তানা চত্থখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।



Title : Har Ghar Tiranga
By : Jeshita Kumam
Class : IV Sec: B
School : K.V.S. Langjing



Title : Boy and Girls
By : Thoithoiba Moirangthem
Class : Nursery Roll No. : 44
School : Smarth Universal Academy




Title : Girl
By : Akoijam Athoibi
Class : 2 Sec: B Roll : 03
School : Little Flower School, Imphal



Title : Tharo Angangba
By : Diparani Thingom
Class : II Sec: A Roll : 44
School : E.E.A. Academi, Yaingangpokpi



Title : National Flag
By : Y. Lanchenbi Devi
Class : V Sec : X Roll No. : 04
School : Galaxy High School





Title : National Flag
By : Laishram Hayden
Class : II Sec: C Roll : 07
School : Pitambara English School



Title : Toys
By : Irom Princy Mangang
Class : 5 Sec: Daffodil Roll : 16
School : SL Arena of Learning



Title : House
By : Katherin
Class : II Sec: B Roll : 08
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title :
By : Lamnganb Thingbaijam
Class : III Sec: Daffodil Roll No. 24
School : SL Arena of Learning




Title :
By : M. Pansika
Class : V Sec: D Roll : 23
School :



Title : Home Sweet
By : Ningthibi Thokchom
Class : II Sec: A Roll : 31
School : K.V. Leimakhong



Title : Landscape
By : Nungshithoi Sagolsem
Class : II Sec: B Roll : 59
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : The Tree
By : Phurailatpam Brenda Devi
Class : Nursery Sec: B Roll : 32
School : The Blossom School, Moirangkhom



Title : Independence day
By : Raj Kumar Arjun Sana
Class : IV Sec: A Roll : 26
School : Bethony School, Guwahati



Title : Joker
By : Takhellambam Damini
Class: I Sec: Lotus Roll : 22
School : SL Arena of Learning



Title : A girl kitten going to School
By : Takhellambam Ranjita
Class : Nursery Sec: Lotus Roll : 02
School : SL Arena of Learning

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নন অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।